**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 28-04-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৮-০৪-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাড--**

১) রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মেদিয়ানা পাউ ফোঙবা মতমদা অককবা নিয়ম খরা ঙাকা চৎনবা সরকারনা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা বরানাসিদা লূপা কোতি লিশিং ৬,৩৫০ হেনবগী তোঙানবা তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনগনি, খরগীনা শঙ্গাগনি।

**অমসুং**

৩) ভারত অমসুং নিউজিলেন্দগী মরক্তা ঐতিহাসিক ওইরবা ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্ট সহী তৌনখ্রে।

----

**এদভাইজরি (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মেদিয়ানা পাউ ফোঙবা মতমদা অককবা নিয়ম খরা ঙাকা চৎনবা সরকারনা

এদভাইজরি অমা থোকখ্রে। শান্তি রক্সা, তংদু লৈতাবা অমসুং নুংশি চান্নবা পুরকবা সরকারনা থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি হায়রি। রাজ্যগী হোম বিভাগকী কম্মিসনর এন.অশোক কুমারনা ঙরাং থোকপা চেরোল অমদা হায়-আইননা থিংখ্রবা লুপশিং, মশক খঙদবা লুপশিংনা থাদোরকপা চেরোলশিং মেদিয়ানা ফোঙবা য়ারোই। মীয়ামদা অকি তুজং পোকহনগদবা, কাংলুপশিংগী মরক্তা ঈরাং থোরকপা য়াবা পাউ ফোঙলোইদবনি। পাউ ফোঙবা মতমদা নাকল অনিমক্তা চপ মান্নবা মীৎয়েং থমদুনা পাউ ফোঙগদবনি। মীয়ামদা অচুম্বদা য়ুমফম ওইবা পাউশিং ফোঙগদবনি। শান্তি রক্সাগী ফিভমদা শোকহল্লকপা য়াবা, অরুবা ফিভমশিংদা মেদিয়ানা নিংথিনা দাইত্যা লৈনা পাউ ফোঙগদবনি। হিংশা থোকপা য়াবা পাউশিং, আইননা য়াদবা থবকশিং অমদি খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিংদা পুকিং থৌগৎপা য়াবা পাউশিং য়ারিবমখৈ মেদিয়াদা ফোঙলোইদবনি। মেদিয়া ওর্গনাইজেসনশিংনা য়ারিবমখৈ সরকারনা পীরিবা নিয়মশিং অসি ঙাক চৎকদবনি হায়রি। নিয়মশিং অসি ঙাক্ত্রবদি সরকারনা আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎকনি।

ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া, দিজিতেল অমসুং সোসিয়েল মেদিয়া প্লেটফোর্মশিংনসু আই.টি রুলস ২০২১না পীরিবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাক চৎনবা ৱাফমসু থল্লি। প্লেটফোর্মশিং অসিদা অরানবা, মীয়াম্বু লান্না লমজিংবা য়াবা অমদি নিংথিনা অচুম অরান খঙদ্রিবা পাউশিং য়ারিবমখৈ ফোঙলোইদবনি। কন্তেন্ট ক্রিয়েতরশিংনা আইননা য়াদবা অমসুং মশক খঙদবা লুপশিংনা থাদোরকপা চেরোলশিং থাগৎপদা অথিংবা থল্লে। রাজ্য অসিগী অপুনবা শক্তম, নেসনেল সেক্যুরিতি অমসুং পব্লিক ওর্দরদা অকাইবা থোকহল্লকপা য়াবা ঈ-পাউশিং থাগৎপা য়ারোই হায়না মখা তারি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং পাৎলৌদা থা অসিগী ২৬ তা হার পুবা ত্রক অমা থুগাই য়ৈখাইবগী থবক চথবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই মঙা ফারে। মখোয়শিং অদুদগী, থৌদোক অদুদা চেন্নবা গারি মচা অনিসু ফাগৎলে হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল ইয়রপোর্টতগী হেরোইন নম্বর ফোরনি চিংনবা পোৎলম পুরম্বা মীওই অনি ফাগৎলে হায়রি। ফারবা মীওই অনি অদ্ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াংইম্ফালদগীনি। মখোয়না হেরোইননি চিংনবা পোৎলম অদু বেঙ্গলুরুদা পুনবা তৌরম্বনি হায়রি।

মরক অসিদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হিমালয়ন তাইলস পুলিস চেক পোইন্টতা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা মীওই অমদগী গঞ্জা কিলোগ্রাম ১ হেন্না ফারে হায়রি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ নিনিগী খোঙচত্তা ঙসি উট্টর প্রদেশকী বরানাসিদা চৎকনি। প্রধান মন্ত্রিনা লূপা কোতি লিশিং ৬,৩৫০ হেনবগী তোঙানবা তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনগনি, খরগীনা শঙ্গাগনি। প্রোজেক্টশিং অসিগী মনুংদা, লম্বী থোং, রেলৱে, হকশেল, টুরিজম, ৱাতর সপ্লাই অমসুং অর্বান ইনফ্রাষ্ট্রকচরনচিংবা য়াওরি। শ্রী মোদিনা মহিলা সম্মেলনদসু ঙসি নুমিদাংৱাইরম শরুক য়াগনি হায়রি।

প্রধান মন্ত্রিনা অমৃট ভারত এক্সপ্রেস ত্রেন অনি ঙসি লমথাগনি। বরানাসিদা লৈবা পন্দিট দিন দয়াল উপাধিয়া জঙ্গসনদা থর্দ অমসুং ফোর্থ রেলৱে লাইন প্রোজেক্ট শানবা উরেপ উয়ুং তমগনি। প্রধান মন্ত্রিনা হয়েং শ্রী কাসি বিস্বানাথ মন্দিরদা চৎকনি। হরদোইদা চত্তুনা গঙ্গা এক্সপ্রেস ৱেসু শঙ্গাগনি।

**এগ্রিমেন্ট ঃ** ভারত অমসুং নিউজিলেন্দগী মরক্তা ঐতিহাসিক ওইরবা ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্ট ঙরাং নিউ দেল্লিদা সহী তৌনখ্রে। য়ান্ন-ৱারোল অদু কেন্দ্রগী

কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়ল অমসুং নিউজলেন্দগী লল্লোন ইতিক মন্ত্রি তোট মেক্লে অনিনা সহী তৌনখি। মমাঙ চহীদা য়ান্ন-ৱারোল সহী তৌনবা য়ান্নখিবা ৱাফমশিংদা ভারত্তগী পুরকপা পোৎলমশিংদা নিউজলেন্দনা চাদা ১০০ দ্যুতি ফ্রি ওইহনবা অমসুং বিলিয়ন দোলর ২০গী শেনফম থাদরকপনচিংবা য়াওরি। ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্ট অসিনা লৈবাক অসিগী নহারোলশিং, লৌমীশিং, নুপীশিং, আর্তিসানশিং অমসুং এম.এস.এম.ই সেক্তরবু মপাঙ্গল কনখৎহনবদা চাউনা মতেং পাংলগনি।

**ভোৎঃ** নোংচুপ বেঙ্গলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোৎ হয়েং থাদনরগনি। তাঙ্কক অসিগী ভোৎ থোম্বগী মতম ঙরাং লোইখ্রে। তাঙ্কক অসিদা নুপী মীরেপ ২২০ য়াওনা মীরেপ লিশিং ১,৪৪৮ না লম্বা থেংনগনি। রাজ্য অসিগী জিলা ৭ কী বিধান সভা কেন্দ্র ১৪২ দা মীখল পাঙথোক্কনি। মীখল অসিদা ভোতর কোতি ৩ লাক্ষ ২১ লিশিং ৭৩,৮৩৭ না মীরেপশিংগী মরাইবক লেপকনি। মীখল অসিগীদমক সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিল থৌরাং লৌখৎলে।

**হিটঃ** হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়না লৈবাক অসিগী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা লাক্কদৌরিবা কালেনগী থাশিংদা নুংশাগী মৈশাদগী করমা ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা শেম শানবা খঙহনখ্রে। মন্ত্রালয় অসিনা য়ুনিয়ন টেরিটরি অমসুং রাজ্যশিংগী সেক্রেটরিশিংদা ইবা চেরোল অমদা হায়-লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা, ময়াই থংবা অমসুং অৱাং নোংচুপ থংবা মফমশিংদা চৎলিবা থা অসিদগী হৌদুনা জন ফাওবা মহৌশাগী শাবগী চাংদগী হেনবা য়ানা লৈরে। মরম অসিনা, হকশেলগী খুদোংচাবশিং মীয়ামদা ফংহন্নবগীদমক হিট স্ত্রোক মেনেজমেন্টশিং শেমবা এম্ব্যুলেন্সকী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সেন্তরনা নোর্থ ইষ্টকী লালহৌবা ২০২৯ ফাওবদা লোইশিল্লগনি, মণিপুরদা অহানবা মীৎয়েং থল্লি হায়বা পাউ অমা-পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- সনালৈবাক্তনা, মণিপুরদা অহানবা মীৎয়েং থল্লগা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা ২০২৯ ফাওবদা লালহৌবশিং মুথৎকদৌরি, লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজম মুথৎনবা শিজিন্নখিবা ফোর্সশিং নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা পুশিল্লক্লগনি হায়না অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি। পাউ অসি ঙসি ফোঙবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙনবা উরে।

হোম দিপার্টমেন্টকী অহাংবা পোষ্ট লিশিং ৭ রোম লৌনবা খন্নরি হায়বা পাউ অমা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মোইরাং মীয়ামা হার ফাগৎখিবা, লান্না চিংলম্বা হারনি, এক্সন লৌখৎকনি হায়না এগ্রিকলচর দাইরেক্তরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

নাগাগী লুপশিংনা অসাম রাইফলসপু কা হেনবা থৌওংশিং চথে হায়না মরাল শিবগা লোয়ননা সু কেম্পশিং লৌথোকবা দাবী তৌখ্রে হায়বা পাউ অমা- পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। এন.আর.সি অপদেট তৌবগা সেন্সস তৌবগা মরী লৈনদে হায়না জজ এন্দ ফিয়র দিলিমিতেসন (জে.এফ.দি)না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

নহারোলগী থৌদাংদা, সি.এম সেন্সস তৌদ্রগদি এন.আর.সি তৌবা য়াদে হায়বা লাইবক থিবনি হায়না কংগ্রেসকী লুচিংবা হরেস্বর গোস্বামিনা

ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা, চিফ মিনিষ্টরনা সভাপতি ওইদুনা এন.দি.এ এম.এল.এশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রে, অরুবা ৱাফম কয়া কুপ্পা খন্নখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। ইম্ফাল ইয়রপোর্টতগী মীওই অনি হেরোইনগা কোন্ননা ফারে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা, সি.আর.পি.এফনা নোংমৈনা কাপ্পদা লৈখিদবা মীচম অহুমগী থৌদোক জ্‌দিসিয়েল এনক্বারি তৌহনবীনবা হাই কোর্টতা ৱাকৎলক্লে হায়বা পাউ অমা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা, সরকারনা পীবা চৎন-কাংলোনশিং মেদিয়ানা ঙাকা চৎনবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা, অসাম রাইফলসনা নুপীশিংদা কা হেনবা থৌওং চত্থখিবা নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা, মনিপুরদা থোক্লিবা হিংশাগী থৌওং লোইশিন্দুনা শান্তি হঞ্জিলকবা নেসোনা দাবী তৌরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা, ক্লাইমেট চেঞ্জ রিপোর্তিংগা মরী লৈনবা ৭ শুবা ষ্টেট লেভেল মেদিয়া ফেল্লোশিপ হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

**---পাউ লোইজরে---**